# ত্রিপুরাদা দেঙ্গিগী লাইচৎ লাকশিন্নবা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা সি পি আই (এম) গী এম এল এশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে



**অগরতালা, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):**
ত্রিপুরাগী কেপিটেল অগরতালাদা দেঙ্গিগী লাইচৎ কনখৎলকপগা লোয়ননা মদুবু লাকশিন্নবা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা ষ্টেট অসিগী সি পি আই (এম) গী এম এল এশিং রমুদাস, সুদিপ সরকার অমসুং নায়ন সরকারনা চীফ মিনিষ্টর মনিক সহাদা লেট্টর অমা ইদুনা তকশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা ইবা লেট্টর অদুদা এম এল এশিং অসিনা দেঙ্গিগী পোজিটিব কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফিভমদা নুংনাংবা উৎখি অমসুং ফিভম অদু লাকশিন্নবা খুদক্তা লৌখৎপা মথৌ তাবা মরু ওইবা খোঙথাং কয়া পনখি।

এম এল এ শ্যামাল চক্রবোর্টিনা লুচিংদুনা ধানপুর প্রাইমারি হোস্পিটালদা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ মনুংদা লো মেক্করশিং অসিনা দেঙ্গিগী পেসেন্টশিং মশিং কা হেন্না য়াম্না হোস্পিটালদা পুখৎলকপা উবা ফঙখি। হোস্পিটাল অদুদা অহেনবা বেদশিং হাপচিন্নবা হোৎনবা লৈরবসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা দেঙ্গিগী কেসশিং থেংনবদা অৱাবা ওইরক্লি। নর্সশিং, পেরা মেদিকশিং, ৱার্দকী মীওইশিং অমসুং ক্লিনরশিং য়াওনা তঙাই ফদবা মেদিকেল ষ্টাফ ৱাৎপদগী ক্রাইসিস অদু হেন্না লুশিলহল্লি হায়রি।

হৌজিক হোস্পিটাল অদু শুপ্পগী দোক্তর অহুম্না ওপরেট তৌরি। মখোয়গী মনুংদা দোক্তর অমদি হন্দক্তা হোস্পিটাল অদুদা পোষ্টিং তৌরকখিবনি। মসিগী মতিক চাদ্রবা ৱার্ক ফোর্স অসিনা লেপ্তুনা মশিং য়ামখৎলক্লিবা পেসেন্টশিংবু ক্যের মতিক চানা লৌবা ঙমদবদগী অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাংগী ওইনা অরুবা ফিভম অমা লাক্লে হায়রি।

এম এল এশিং অদুনা ক্লেম তৌরি, মদুদি মখোয়গী খোঙচৎ অদুদা লোকেল কম্ম্যুনিটি মেম্বরশিংনসু মখোয়দা দেঙ্গিগী লাইচৎ অদুনা মখোয়বু মীপায়হল্লে হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

থুনা মীৎয়েং চঙদবা য়াদবা ইস্যুশিং অসিগা মরী লৈননা সি পি আই (এম) গী এম এল এশিং অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখি। মখোয়না দোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং পেরা মেদিকশিংগী মশিং হেনগৎহন্দুনা ধানপুর প্রাইমারি হোস্পিটালগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা মথৌ তাই হায়খি।

মখোয়না দেঙ্গি লায়না মখা তানা শন্দারকপা থিংননবা শেল থুমদা শোখারবা ইমুংশিংদা কাঞ্জুলশিং থুনা য়েন্থোক্লবসু দিমান্দ তৌখি।




# অসামগী দুব্রি দিষ্ট্রিক্টতা মোব এটেক্কী থৌদোক্তা এ পি দি সি এলগী ইঞ্জিনিয়র অমা ফিভম লূনা শোক্লে

**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):**
অসামগী দুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী গৌরিপুরদা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা খোইরাং খোইশাওনরবা মীওই কাঙবু অমনা অসাম পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এ পি দি সি এল) গী টিম অমদা এটেক তৌবদা কম্পেনি অসিগী সব-দিভিজনেল ইঞ্জিনিয়র (এস দি ই) অমা ফিভম লূনা অশোক অপন নঙখ্রে।



এস দি ই মঞ্জুরুল হক্না লুচিংবা টিম অদু খুঞ্জা খরনা ইলেক্ট্রিক পোলশিংদগী মৈ কোৎলগা পম্প সেটশিং শীজিন্নরগা মখোয়গী লৌবুকশিংদা ঈশিং থাজিনবগী থবক চথুরি হায়বা পাউ ফঙবদগী দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দুমরদা ভিলেজদা চঙশিনখিবনি।

ওপরেসন অমা চথুরবা মতুং ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টগী টিম অদুনা ইলেক্ট্রিক পোলদগী মৈ কোৎলগা চল্লাইরিবা ঈশিংগী পম্প সেট মঙা ফাগৎখি। টিম অদুনা মখা তানা ওপরেসন চথুরিঙৈ মনুংদুদা লোনা য়াদবা থৌওং চথুরম্লিবা অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মনুংদা খরনা এ পি দি সি এলগী টিম অদুদা খঙহৌদনা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা এস দি ই মঞ্জুরুল হক য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই অনী ফিভম লূনা শোকখি।

থৌদোক অদুগী পাউ ফঙবদগী লোকেল পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস কাঙবু অমা থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না ফিভম লাকশিনখি। অশোকপশিং অদু পুলিসনা খুদক্তা অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং এস দি ই হক হেন্না ফবা ট্রিটমেন্টগীদমক দুব্রি মেদিকেল কোলেজ অমসুং হোস্পিটালদা রিফর তৌখি। অদুম ওইনমক হক্কী ফিভম লুশিল্লক্লিবদু য়েংলগা মহাকপু য়েংশিল্লিবা দোক্তরশিংনা মহাকপু গুৱাহাটিদা লৈবা গৌহাতি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (জি এম সি ঐচ) তা রিফর তৌখি।

এস দি ই হক হৌজিক জি এম সি ঐচতা লায়েং চথুরি অমসুং মহাক্কী ফিভম লুনা লৈ। কেস অদুগা মরী লৈননা দুব্রি পুলিসনা মীওই অহুম ফারে অমসুং হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। অদুম ওইনমক মরু ওইবা মীওই অদু হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদবদগী পুলিসনা মহাকপু ফাননবা অচৌবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইরাই নুমিত্তা এ পি দি সি এলগী এমপ্লোয়িশিংনা দুব্রিদা অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখি। মখোয়না মরু ওইবা একুজশিং খুদক্তা ফাননবা অমসুং চেন্নবা মীওইশিং অকনবা চৈরাক পীননবা তকশিনখি।

# ফুদ দিপার্টমেন্টনা ব্লেক মার্কেটরশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎখ্রে, ফাইন লুপা লাক্ষ ৩ হেন্না খোমগৎখ্রে

**অগরতালা, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):**
ত্রিপুরাগী ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাই মিনিষ্টর সুসন্টা চৌধরিনা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা ব্লেক মার্কেটিং অমসুং পোৎচৈশিং শেনে দাং হেন্না ফঙনবা পৈশিল্লম্বগীদমক ফাইন ওইনা লুপা লাক্ষ ৩ হেন্না খোমগৎখ্রে অমদি রসন দুকান মঙাগী লাইসেন্সশিং কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা দুকান তরা থিংজিনখ্রে।

ফুদ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা থা অহুমগী মতম অসিদা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মার্কেটশিং অমসুং ফ্যের-প্রাইজ দুকানশিংদা ব্লেক মার্কেটিংগী থৌওংশিং চথবা থিংননবা ফুদ দিপার্টমেন্টনা রেইদশিং চথরকখি।

হৌজিক ফাওবদা পুন্না মার্কেট ১৮৪ দা রেইদ চথখ্রে। রেইদশিং অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা ফাইন ওইনা লুপা লাক্ষ ২.২৬ খোমগৎলে, ট্রেদর ৮৮ দা শো কোজ নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে অমসুং দুকান তরা মতম খরগী ওইনা থোং লোলহনখ্রে।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না ফ্যের-প্রাইস দুকান ১,৭৮৯ দসু রেইদ চথখি। রেইদ চথখিবা দুকানশিং অদুগী মনুংদা দুকান ২৭৭ দা শো কোজ নোটিসশিং পীখি। ফ্যের প্রাইস দুকান মঙাগী লাইসেন্সশিং কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং ফাইন ওইনা পুন্না লুপা লাক্ষ ১.৪ কলেক্সন তৌখি।

খুৎশেমগী ক্রাইসিস থোকহনবা অমসুং ব্লেক মার্কেট মতম চুপ্পদা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি। ষ্টেট অসিদা নুমিৎ খুদিংগী মথৌ তারিবা চেঙ, গেহু, চিনি, পেট্রোল, দিজ লনচিংবগী ষ্টোক মতিক চানা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফুদ মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুগী ফ্যের-প্রাইস দুকান ২,০৫৬ অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা হৱাই সপ্লাই তৌরগনি। হৌজিক্তগীদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এ পি এল কঞ্জ্যুমরশিংবু হৱাই কেজিদা লুপা ৮৪ গী মহুত্তা লুপা ৮২ দা লৈবা য়াহন্নবা অমসুং বি পি এল অমদি অন্টোদয়া কঞ্জ্যুমরশিংবুনা হৱাই কেজিদা লুপা ৫৯ গী মহুত্তা লুপা ৫৭ তা লৈবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

# জপানিজ এন্সেফেলাইটিসনা নাবা মীওই অনী শিরে




**গুৱাহাতি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):**
অসামদা শগোলশেল নুমিত্তা কাঙনা শন্দোকপা লায়না জপানিজ এন্সেফেলাইটিসনা নাবা মীওই অনী শিখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না সুস্মিতা বাসুমত্রি কৌবা নুপীমচা অমা লায়না অসিনা নাদুনা নুমিৎ তরানি লায়কন্নরবা মতুংদা শিখি। মহাক চিরাংগী বাসুগাওনদা লৈবনি। অতোপ্পা লায়না অসিনা থোকহনবা মীশিগী থৌদোক অমদনা মুকুট বুয়ান কৌবা সোসল এক্তিভিষ্ট অমা নগাওনদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েংলিঙৈদা লৈখিদ্রে।

মীওই অনী অসি শিখিবগা লোয়ননা অসামদা হন্দক্তা জপানিজ এন্সেফেলাইটিসনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী অহুম শুরে।

অসামগী রুপোহিহটতা মশাগী চহী ১১ শুরবা নুপামচা অমা জে ইনা নাবদগী ওগষ্ট ১ দা শিখি। লৈখিদ্রবা নুপামচা অদু টাইবুর ইস্লাম কৌই। মহাক নগাওনগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েংলিঙৈ মনুংদা লৈখিদবনি।

জপানিজ এন্সেফেলাইটিস অসি কাঙনা চিকপদগী শন্দোকপা ব্রেনদা শোকহনবা ভাইরেল ইনফেক্সন অমনি। লায়না অসিবু শন্দোক্লিবা ভাইরস অদু ওকশিং অমসুং উচেক্তা মহৌশানা য়াওরগা লৈ অমসুং ইনফেক্সন লৈরবা শাশিংদা চিক্লুরবা কাঙশিংনা মহিক অসি মীওইবদা শন্দোকই।

# চহী ১৩ দা ঙাইরিবা নুপীমচা ফম্লানবদা চেন্নবা মীওই ৪ ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস):**
হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা এরিয়াদা লৈবী মশাগী চহী ১৩ দা ঙাইরিবী ক্লাস ফাইব তন্লিবী নুপীমচা অমদা খুৎলায় পায়বা নহা মরিরোম লাক্লগা মীওই অহুম্না ঙাক শেল্লগা নুপীমচা অদুগী ময়ুমদা নুপা অমনা চঙলক্লগা নমদুনা ফম্লানবীখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই মরি অদু ঙসি অয়ুক মশক খঙদবা মীওই খরনা ফারগা পুখ্রবা মতুংদা থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নরিবা নুপা অদু ৱাহং পাউহং চথুরবা মতুংদা মশাগী মরাল লৈরে হায়বা চপ চাবা খঙলবা মতুংদা মহাক্কী প্রাইভেট পার্ট মতোন খরা কক্লগা মতুংদা অমুক তৌদনবনি হায়দুনা মখোয় মরি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা ৱাঙ্গোই লোঙজম লৈকায়দা থাদোক্লম্লে।

পুলিসতগী ফঙবা পাউনা হায়, থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নরিবা নুপা অদুগী মমিং খুন্দোম রাহুল (২৪) অপোকপা কেঐচ জিতেন কৌই। মহাক্কী লৈফম্না খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক্না চৎমিন্নখিবা মীওই অহুম অদুনা লৈকায় অদুদা লৈবা য়াম্নেম অজিৎ (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই মনি, শগোলসেম কেনেদি (২৪) অপোকপা এস জিল্লা অমদি কোঞ্জেংবম বোবোই এলিয়স কেম্বোই (২৫) অপোকপা কে নবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই মরিমক ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন পুলিসনা ফাখিবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎলবা মতুংদা মখোয় মরি ৱাহং পাউহংবগী থবক চথুরি।

## শগোল ১ হাৎলম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস):**
ঙসি অয়ুক অঙনবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ফুবালাগী তুরেল মপানদা শগোল হাতম (পোনি) অমা শিরগা লৈরম্লে। শগোল অদু শকখঙদবা মীওই খরনা ফারগা পুরক্লগা মফম অদুদা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা ওইরমগনি থাজনরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মোইরাং পুলিসনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা থী হুম্না চথুরি।

## CROSSWORD-3933



**ACROSS**
1. Passionate(6)
4. Saunters(6)
8. Make sure(5)
9. Cathedral, large church(7)
10. Islamic fast(7)
11. Inexpensive(5)
12. Remember(9)
17. Similar(5)
19. Large ape(7)
21. Remainder(7)
22. Corn for grinding(5)
23. Drinker's toast(6)
24. Pestilence(6)

**DOWN**
1. Pact(6)
2. Idealist, visionary(7)
3. Unclothed(5)
5. Single eyeglass(7)
6. Liquid measure(5)
7. Handwriting(6)
9. Solo speech(9)
13. Popular cheese(7)
14. Slanting(7)
15. Material(6)
16. Combat(6)
18. Offspring(5)
20. Royal(5)

**Solution 3932**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | A | O | S | | B | A | L | A | N | C | E | D |
| E | | D | | T | | F | | N | | H | | O |
| A | N | O | T | H | E | R | | G | A | I | N | S |
| T | | U | | R | | I | | R | | A | | E |
| H | A | R | P | O | | C | R | Y | I | N | G | |
| E | | | | N | | A | | | | T | | C |
| R | E | G | R | E | T | | I | N | D | I | G | O |
| Y | | R | | | | A | | E | | | | N |
| | B | U | R | R | O | W | | A | U | D | I | T |
| T | | M | | U | | A | | R | | E | | I |
| R | E | B | E | L | | K | R | E | M | L | I | N |
| I | | L | | E | | E | | R | | H | | U |
| P | H | E | A | S | A | N | T | | W | I | D | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5231**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | 2 | | 6 | | | 1 | 9 |
| 4 | | 1 | | | | 2 | | |
| | | 3 | | | | 6 | | |
| 3 | | | | 1 | 6 | 4 | | |
| | | | 5 | | 9 | | | |
| | | 6 | 4 | 7 | | | | 3 |
| | | 9 | | | | 3 | | |
| | | 4 | | | | 8 | | 6 |
| 6 | 1 | | | 9 | | 5 | 2 | |

**Solution-5230**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 2 | 1 | 6 | 3 | 4 | 7 | 8 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 9 | 5 | 2 | 3 | 1 |
| 4 | 3 | 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 5 | 6 |
| 1 | 6 | 7 | 9 | 4 | 8 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | 4 | 9 | 6 | 5 | 2 | 8 | 1 | 7 |
| 2 | 8 | 5 | 7 | 3 | 1 | 6 | 9 | 4 |
| 7 | 1 | 8 | 5 | 2 | 4 | 3 | 6 | 9 |
| 9 | 2 | 4 | 3 | 1 | 6 | 7 | 8 | 5 |
| 6 | 5 | 3 | 8 | 7 | 9 | 1 | 4 | 2 |

## EMPLOYMENT NEWS

### AAI RECRUITMENT 2023 FOR 342 JUNIOR EXECUTIVE, JUNIOR ASSISTANT, SENIOR ASSISTANT

Vacancy Circular No: -
Airports Authority Of India (AAI) Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant in the Airports Authority Of India (AAI). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 4th September 2023. Candidates can check the latest Airports Authority Of India (AAI) Recruitment 2023 Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant Vacancy 2023 details and apply online at the www.aai.aero recruitment 2023 page.
Airports Authority Of India (AAI) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aai.aero. Airports Authority Of India (AAI) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Delhi. More details of www.aai.aero recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant
Job Location:
Safdarjung Airport, New Delhi, 110003 Delhi
Number of Vacancy: 342 Posts
Educational Qualification:
Junior Assistant (Office): Candidates should have completed their Graduation.
Senior Assistant (Accounts): Candidates should have completed their Graduation in B.Com with 2 years' relevant experience
Junior Executive (Common Grade): Candidates should have completed their Graduation.
Junior Executive (Finance): B.Com with ICWA/ CA/ MBA with specialization in Finance.
Junior Executive (Fire Services): Bachelor's Degree in Engineering. / Tech. in Fire Engg./ Mechanical Engg./ Automobile Engg.
Junior Executive (Law): Professional Degree in Law (3 years' regular course after graduation OR 5 years' integrated regular course after 10+2) and candidate should be eligible to get himself enrolled as an Advocate in Bar Council of India to do practice in courts in India.
Pay Scale:
INR 31000-140000/- Per Month
Age Limit: Maximum 30 Years.
Application Fee: Application Fee of Rs.1000/- is to be paid by the candidates However, the SC/ST/PWD candidates/ Apprentices who have successfully completed one year of Apprenticeship Training in AAI/ Female candidates are exempted from payment of Fee.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.aai.aero/en/careers/recruitment
Important Dates:
Published on: 21st July 2023
Last date for application is: 4th September 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### TPSC RECRUITMENT 2023 FOR 400 JUNIOR ENGINEER (JE)

Vacancy Circular No: -
Tripura Public Service Commission (TPSC) Junior Engineer (JE) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Engineer (JE) in the Tripura Public Service Commission (TPSC). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 24th August 2023. Candidates can check the latest Tripura Public Service Commission (TPSC) Recruitment 2023 Junior Engineer (JE) Vacancy 2023 details and apply online at the tpsc.tripura.gov.in recruitment 2023 page.
Tripura Public Service Commission (TPSC) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ tpsc.tripura.gov.in. Tripura Public Service Commission (TPSC) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Tripura. More details of tpsc.tripura.gov.in recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Engineer (JE)
Job Location:
Agartala, West Tripura, 799001 Tripura
Last Date: 24th August 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 400 Posts
Educational Qualification:
For Junior Engineer, Grade-V(A) Degree: Candidates Should Possess Degree (Engineering).
Pay Scale:
INR 34700-47600/- Per Month
Age Limit: 18-40 Years.
Application Fee:
For Group–B Gazetted posts (General Candidates): Rs. 350/–
For Group–B Gazetted posts (SC/ ST/ BPL/PHC): Rs. 250/–
For Group–C non–Gazetted Posts (General Candidates): Rs.200/–
For Group–B Gazetted posts (SC/ ST/ BPL/ PHC): Rs. 150/–
Payment Mode: Through Online Mode
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://tpsc.tripura.gov.in/
Important Dates:
Published on: 21st July 2023
Last date for application is: 24th August 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

